# নাগালেন্দগী খুঞ্জাশিংনা ঙমখৈ লানশিল্লক্লগা

# জেসামিগী খুঞ্জা মঙা ফারগা পুখ্রে

থৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ১৮ঃ নাগালেন্দদগী ঙমখৈ লানশিন্দুনা চংলকখিবা মীওই খরনা মণিপুরগী ঙমখৈ লানশিন্দুনা চংলক্লগা ষ্টেট অসিগী উখ্রুল ডিষ্ট্রিক্টকী অরোইবা ঙমখৈদা লৈরিবা জেসামিগী শাগৈ অমগী খুঞ্জা মঙা ফারগা পুখ্রে। ফাখিবা খুঞ্জাশিং মফম খঙদনা লৈরি।

প্রেসনা ফংবা পাউনা হায়, মণিপুর-নাগালেন্দ বোর্ডরদা লৈরিবাউখ্রুল ডিষ্ট্রিক্টকী জেসামিগী খুঞ্জাশিং অদু নাগালেন্দগী বোর্ডর খুল অসিনা থংননা লৈরিবা মেলৌরি খুলগী খুঞ্জাশিংনা মণিপুরগী ঙমখৈ লানশিল্লক্লগা ফাদুনা পুখিবনি।

নাগালেন্দগী মেলৌরি খুলগী খুঞ্জাশিংনা ফাদুনা পুখিবদগী মফম খঙদনা লৈরিবা জেসামি খুঞ্জাশিং অদুদি ডব্লিয়ু মিসৱেলো, ডব্লিয়ু ইনলি, ডব্লিয়ু জাইকেতৌ, ডব্লিয়ু মিপেজো, ডব্লিয়ু কিকাৱেলি অমসুং ডব্লিয়ু মিজোভিনি।

মখোয় মঙা ঙসি অয়ুক পুং ১০:৩০ রোম তারকপদা নাগালেন্দগী মেলৌরি খুলগী খুঞ্জা কুম্ব্রারোম্না মণিপুরগী ঙমখৈ লানশিন্দুনা চংলক্লগা তমথিনা ফূরবা মতুং ফাখিবদগী মফম খঙখিদবনি। জেসামিগী খুঞ্জাশিং অদু ঙমখৈ ৱাংমা লান্না পুরম্লগনি হায়বগী চিংনবা লৈরি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।

পনবা য়াবদি মণিপুর-নাগালেন্দ অনিগী ঙমখৈগী শরুক ওইরিবা মেলৌরি অমদি জেসামি খুল অনি অসিগী মরক্তা মেলৌরি খুঞ্জাশিংনা মণিপুরগী ঙমখৈ লানশিন্দুনা লম খোপচিল্লকপদগী মতম কয়াগী মমাংদগী হৌনা খুঞ্জাশিংগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোকশিং লৈখ্রবনি। মসিগী মথক্তা নাগালেন্দ পুলিসকী পুলিস আউট পোষ্ট অমা ঙমখৈ লানশিন্দুনা শাজিল্লম্বসু লৈখ্রবনি

মেলৌরিগী খুঞ্জাশিংনা ঙমখৈ লানশিল্লক্লগা মণিপুরগী খুঞ্জা মঙা ফাদুনা পুখ্রগা মফম খঙহন্দনা লৈরিবা অসিগী মতাংদা চিংঙাই কেন্দ্রগী কংগ্রেস এম এল এ, এম কে সিমরেনা ষ্টেটকী চিফ সেক্রেটরি ডি এস পূনিয়াগা হকথেংননা উন্নদুনা খুঞ্জাশিং অদুগী মরী-মখোং থিবীনবা তকশিনখ্রে হায়রি।

চিফ সেক্রেটরিনসু পন্থবা তৌদনা এম এল এগী ৱাফম অদু হেক তাবগা মহাক্কা ফম মান্নবা নাগালেন্দগী চিফ সেক্রেটরিদা মেসেজ থাদুনা খঙহনখ্রে। অদুমকপু অথেংবা ফাওবদি মদুগী পাউখুম ফংবগী পাউদি ফংবা ঙমদনা লৈরি।